# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-02-2026)**

**খেমচান্দ(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১৩৭ (এ) ময়াই লম্বীগী হৌজিক শেমজিনবগী থবক চথরিবা অদু মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙরাং য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা কেবিনেট মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন সিংহসু শরুক য়াখি।

খোঙচৎ অদুদ মুখ্য মন্ত্রিগী মায়কৈদগী ক্বালিতি লৈনা শুনবা অমসুং অথুবা মতমদা লোয়শিনদুনা মীয়ামগী খুদোংচাহন্নবগীদমক ওথোরিতিশিংদা খঙহনখি।

অমরোমদা, বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারিবম সরদানা লুচিংবা দলগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা দল অসিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং করিয়াকরতাশিংদা অহেনবা শক্তি পীবা ঙমবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**পুসিল(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা লিলোং চজিংদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তো চেন্নবনি হায়বা কে.সি.পি. (অপুনবা) গী মীওই অহুম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎখ্রে। মসিগা লোয়ননা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই পুমমক ফাবা ঙমলে হায়রি।

মিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নরাকোঞ্জিন মখা লৈকাইদগী কে.সি.পি. (অপুনবা) গী মীওই অমা ফাগৎখি। মখা তানা নুমিৎ অসিমক্তদা মনিপুর পুলিসনা হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদগী কে.ৱাই.কে.এলগী ফাইনান্স সেক্রেটরিনি হায়বা মীওই অমা ফাগৎখি।

**এসসিঃ** এর্ন্টি তেরর লোসগী মখাদা কেস ১০ নৎত্রগা ১০ দগী হেন্না পেন্দিং লৈরিবা রাজ্যশিংগী ওইনা শুংশোই শোয়দনা অখন্নবা এন.আই.এ. কোর্টসশিং থমবা সুপ্রিম কোর্টনা রাজ্য ১৭ তা ঙরাং নোটিশ থাখ্রে।

চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া-সুরিয়া কান্তনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না অখন্নবা ষ্টেটস রিপোর্ট অমা পীশিল্লন্নবা মতুং মদুগী মতাংদা রাজ্যশিংগী পাউখুম ফংখি। বেঞ্চ অসিনা মখা তানা রাজ্য ১৭ অসিগী চীফ সেক্রেটরিশিংনা রিপোর্ট অসিগী পাউখুম চয়োল অহুমগী মনুংদা পীরকবসু খঙহনখি। বেঞ্চ অদুদা জষ্টিস-জোয়মালা ভাগচি অমসুং এন.ভি. অনজারিয়াসু য়াওখি।

**সভাঃ** কেন্দ্রগী বজেট ২০২৬-২৭ কী মতাংদা খন্ন-নৈনবা, ঙরাং রাজ্য সভাদা মখা তানা চথখ্রে। খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা শিব সেনাগী এম.পি. মিলিন দিওরানা হায়-হৌজিক ওইরিবা রাজনিতিগী অমসুং শেল থুমগী ওইবা তংদু লৈতাদবা মরক অসিদা ভারতনা অপিকপা শেন্মীৎলোনগী ফিভম ফগৎহনবা অমসুং হীরম কয়াদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লিবা অমত্তা ঙায়রবা লৈবাক ওইরি।

বি.জে.পিগী মীহুৎ-সুরেন্দ্র সিংহ নাগরনা হায়-বজেট অসিনা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন হেনগৎহনবা, মীয়ামগী আশাশিং মংফাওনহনবগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা সরকারগী স্কিমশিং মীয়ামদা মপুং ফানা য়ৌহনবা হায়বসিদা মরুওইবা পান্দম থল্লি।

তেলগু দেসাম পার্টি (টি.দি.পি) গী মীহুৎ-মাস্থান রাও বিধানা হায়-বজেট অসিনা মেক্রো-ইকোনোমিক ষ্টেবিলিতি, ইনফ্রাষ্ট্রকচর গ্রোথ, টেকোলোজিকেল ট্রান্সফোরমেসন অমসুং সোসিএল ইনক্লুজনবু অমত্তা ওইনা পুনশিল্লি। তুংদা, সভাগী মীফম ঙরাংগী ওইনা লোয়শিনখি। খন্নবা অসি ঙসিসু মখা তানা চথখিগনি।

লোক সভাদসু কেন্দ্রগী বজেটকী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বি.জে.পিগী মীহুৎ অপ্রাজিতা সরাংগীনা হায়-বজেট অসিনা সরকার অসিগী  অচেৎপা থাজবা অমসুং হনবা লৈতনা পায়খৎলক্লিবা অফবা থৌশিল থৌরাং কয়াগী শেংলবা মমিনি। তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট কয়া সহি তৌনখিবগীদমক্তসু সরকারবু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**আয়ুরঃ** আয়ুস মন্ত্রালয়গী মখাদা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদা (এ.আই.আই.এ) গা জেনরেল ইন্সুরেন্স কাউন্সিল (জি.আই.সি) গা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা য়ান্ন ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে।

খোঙথাং অসিবু আয়ুরবেদাগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি হায়রদুনা মন্ত্রালয়না হায়-য়ান্ন ৱারোল অসিগী মতুং ইন্না জি.আই.সিগী মখাদা লৈরিবা হন্সুরেন্স কম্পানি খুদিংমক্না এ.আই.আই.এগা অমত্তা ওইনা থবক কয়া পায়খৎমীন্নরগনি। মসিনা ইলিজিবল ওইরবা আয়ুরবেদাদা য়ুম্ফম ওইবা হেলথ কিয়ার সার্ভিসশিংদা পেসেন্টশিংনা কেসলেস ত্রিটমেন্টকী খুদোংচাবসু ফংহল্লগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এ.আই.আই.এগী মেনেজর, দাইরেক্তর-পি.কে. প্রজাপতিনা হায়-খোঙথাং অসিনা পেসেন্টশিংবু আয়ুরবেদাগী লায়েং পথাপতা থাজবা থম্বগী চাং হেনগৎলক্তুনা হীরম কয়াদা পেসেন্টশিংদা কান্নবা পীরগনি।

**ত্রেন্নিংঃ** কেপাসিতি বিল্ডিং কম্মিসনগী ইসত্রিয়া করমা যোগী লারস স্কেল জন সেবা প্রোগ্রামগী অনিশুবা ফেজ ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংবু সেবা ভাউ অমসুং স্বধরমাগী ৱাখল্লোন হেন্না লৈহন্নবা অমসুং মীয়ামগী মীহুৎনা লুচিংবা লৈঙাক অসিবু মপাঙ্গল কনখৎহনবা হায়বা নুঙগী ৱাখল্লোন্দা প্রোগ্রাম অসি

হৌদোকপনি।

পার্সোনেল পব্লিক গ্রীভান্স এন্দ পেন্সন মন্ত্রালয়না থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সরকারগী কর্ম্মচারি লাখ ১০ হেন্না ত্রেন্নিং পীখ্রে।

**এসসি ঃ** লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা অঙাং মাংবগী থৌদোকশিং থোক্লিবা অসিদা ভারতকী মফম কয়াদা নেটৱার্ক শন্দোক্তুনা লৈবা কাংবু নত্রগা রাজ্যশিং অদুখক্তদা লৈবা কাংবুশিংনা থোকহনব্রা হায়বদু থিদোকবা সুপ্রিম কোর্টনা কেন্দ্র সরকারদা হায়খ্রে।

জষ্টিস পি.ভি.নগরথ অমসুং উজ্জাল ভুয়ানগী বেঞ্চ অমনা ৱাফম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং খঙবা ঙমবা রাজ্যশিংদগী মরী লৈনবা ঈ-পাউশিং নিংথিনা খোমগৎনবসু হায়খি। অসিগুম্বা থৌদোকশিংদগী কনবা ঙমহৌরবা অঙাংশিংবু নিংথিনা মচিন হংদুনা থৌদোক অদুদা কনা কনা চেন্নরিবনো হায়বদু খঙদোকপা ঙমবা হোৎনগদবনি।

**এগ্রীমেন্টঃ** ভারতনা য়ুনাইটেদ কিংদম অমসুং অৱাং থংবা ইংলেন্দগা সোসিএল সেক্যুরিতিগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা য়ান্ন-ৱারোল অমা সহি তৌনখ্রে।

ফোরেন সেক্রেটরি-বিক্রম মিশ্রি অমসুং ভারত্তা লৈবা বৃটিশকী হায় কম্মিস্নার-লিন্দি কেমেরোননা য়ান্ন-ৱারোল অদু ঙরাং ন্যু দিল্লিদা সহি তৌনখিবনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়-লৈবাক অনি অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মতম খরগী ওইনা সোসিএল সেক্যুরিতিগী লমদা চপ চানা খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়রি। লল্লোন ইতিক্কী লমদসু য়ান্ন-ৱারোল অসিনা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি।

শ্রী মিশ্রিনা ভারত-চাইনাগী মতাংদা চাইনাগী ইগজ্কিটিব ভাইস ফোরেন

মন্ত্রি-মা ঝাউয়ুগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। শ্রী মা ঝাউয়ু ব্রিক্স সরপা মীফমদা শরুক য়ানবা হৌজিক হৌজিক ভারত্তা লৈরি। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়াসু খন্নখি। মসিগী মথক্তা মালেমগী ওইবা হৌজিক ওইরিবা ৱাফম কয়াগী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

উখ্রুল জিলাগী লীতানদা মখা তানা হিংশাগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা চথখিবগী পাউশিং ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

পোকফম পাউচেদা-নাগা কুকি য়ুম মৈ থানবা লেপত্রি, নোংমৈসু কাপরি, খুঞ্জাশিং লাঞ্জেন্নরি। গভরমেন্টনা অহেনবা ফোর্স থাজিনখ্রে, উখ্রুলদা নুমিৎ মঙানি ইন্টরনেট থিংখ্রে, টি.এন.এলনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা হেদলাইনগা লোয়ননা নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর মেল, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক অমসুং সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লীতানদা থোক্লিবা ইরাং লাকশিন্নবা পুমমকা হোৎনরি হায়না উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোসি দিখোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গুজরাট, কোলকাতা, মুম্বাই য়ৌগদবা স্পাই জেট লোঞ্চ তৌখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হৌখিবা চহি মঙা অসিদা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিগী ওইনা ঈচাওনা শোকহনবা অমাং অতাশিং থেংননবগীদমক লুপা কোতি ২৯০ গী শেনফম কায়থখ্রে হায়বা পাউনা পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

তেংনৌপল জিলাদা সেভর ইন্টরনেট ডে ২০২৬ মপুং ফানা

পাঙথোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-বি.জে.পি. মনিপুরগী অনৌবা প্রসিদেন্ট শিল্লবা য়াই, পোষ্ট অসিগীদমক সেন্ত্রেল লিদরশিংদা লোবি তৌবা হৌনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুরগী হান্নগী অমসুং সিট্টিং এম.পি-এম.এল.এশিংগী ক্রিমিনেল কেস। হায় কোর্টনা হান্নগী অমসুং সিট্টিং এম.পি-এল.এল.এশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈবা কেস মশিং পীখৎলকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-শান্তি রক্সাগী ফিভম য়েংলগা উখ্রুলদা নুমিৎ মঙানিগী ওইনা ইন্টরনেট থিংজিনখ্রে। ইন্টরনেট থিংবা অসি কাংপোকপী অমসুং কামজোং জিলাসু য়াওই হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ইম্ফালদগী গুৱাহাতি-কোলকাতা অমসুং মুম্বাই ফাওবগী স্পাই জেট ইয়ারলাইনগী দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংগা সেনাপতিগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসারগা অখন্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।